# অচুম্বসিবু লৈরিবরা - ৭৫

**ডা. এল শশীকুমার, য়ূরেম্বম**


**তৌগেতা ঙম্বা,** অনিং-অনিং পাঙথোকপা ঙম্বা কলি যুগ অসিগী মীৎনা উবা অবটার সরকার ইবুংঙো, নখোয়না ঙমদবা ওইথোকহনবা, ওইথোকহন্দবা পূম্নমক ঙম্বা সরকার ইবুংঙো, কয়াম কুইনা ননিং তমখিগনি। ৱাতোননা ৱাংলগা ক্বাক্না ফমদেকই, চাউমল্লবসু পোকখায়দুনা শিগনি হঙোই বোরাবীগী ৱারী কনা অমত্তা কাওনদে। মতম খরদংগী শক্তি পৱর শীজিন্নবদি অমত্তা তরাইবা নত্তে। লৈবাক মীয়াম পূম্নমক থক-খা, মনিং-মমাঙ, খা-ৱাং খঙদনা নুংঙাইনদি খাঙনরে। মীওইবগী পুন্সি ওমরদি নত্তে। মতম অমদা হাইনা হুম্না পাল্লম্বা কয়াসু ঙসিদি মীচম ওল্লকপা মতমদা ৱানা খাঙনদবা নত্তে। মীওইবগী মপোক শিবা নাইবা মপোকনি। নুংঙাইবনা অৱাবা মশক খঙদবা, নুংঙাইবদা নুংঙাইবা হাপচিনবা, অৱাবদা অৱাবা পোৎলুম থোঙগৎপীবা ঈশ্বরগী খূৎশেমদি ওইরল্লোই। ঈশ্বরনা শেম্মী মীওইবা, মীনা মী শেম্মী মসিমক মীৎনা উবা, ২১ শুবা চহী চাসিগী মীৎনা উবা, ইনানা তাবা কয়ানি অচুম-অরান হায়বসি লৈরম্বদগী খঙনরকপনি।

সরকার ইবুংঙো নখোয়না ঙম্বসি ঙম্মীদকো, সরক ফজনা শেমগনি, ঈশিং ফজনা চাউহনগনি, সরক ময়ায়দা লম্বীগী ময়ায়দা দুকান খুদক্তা শাজিনগনি, ঠিকাদার হরাওহনগনি খুদক্তা লোইশিনগনি নোংঙানবগা থুগাইগনি কয়াদা ঙমখ্রবা, কয়াদা চাওখ্রবা, তৌগেদা ঙম্বা অঙম্বা, কয়াম কুইনা অসিগুম্বা মিত্রং লৈঙাক ওইনগনি লম্বী পাকথোক্কনি। লায়রবা কয়াগী পুন্সিগী শেন্দানফম ওইরিবা মফম কয়া, ফুরা দলান কয়া থুগাইগনি। থুগাইবা লোইরগা গাড়ী পার্কিং ওইহনগনি। মসি পূম্নমক শাগৎপগী পৈশা, থুগাইবগী পৈশা, লম্বী ময়ায়দা তৌথোকপগী পৈশা, ফুমজিনবগী পৈশা ওন্থোকপা, লৈবাকসি ওন্থোকপা লৈঙাক হায়বদুনি। অতাবশিং থাজনিঙাই ওইরোই, অউবশিংনা ঙক্তনিঙাই লৈতে। লম্বী পাকথোকপগী য়ূম ফাওবা লৈফম লৈতবশিংনা মিৎলুগী পিরাং শিন্থখিদবা নত্তে। মিৎতগী শিন্থখিবা পিরাং অমত্তা লেম্না মাঙবা য়ারোই। সরক ময়ায়দা য়ূম শাখিবা ঠিকাদারশিংদগী ঠিকা পীবগী পৈশা লাক্ষ লাক্ষ ফংহৌবনি। অমুক থুগাইবগী ঠিকাদারশিংদগী লুপা লাক্ষ লাক্ষ লৌহৌবা কয়াদা ফজরবা, কয়াদা লৌশিং চাউবা সরকার ইবুংঙো, নখোয়না ঙম্বসি ঙম্মীদকো।

মীয়ামগী ঈহৌ লাকহনগনি, মমাঙদা লৈরম্বা লৈঙাক্কী লোইশঙ মনিংদা হোংদোক্কনি। মখাদা লৈরম্বা অৱাংদা হোংদোক্কনি। মসিগুম্বা লৈঙাক অসিগুম্বা অসি মমাঙদসু থোকখিদ্রি, মতুংদসু থোরক্তবা ওইরসনু। অঙম্বা খনবা, অঙম্বগী খূৎচাবী মরী-মতা ঠিকাদার খরদি হরাউনদবা নত্তে। ইম্ফাল জিরি রোদ অমুক মথুম-মরাং হৌদুনা ঈরাংগী চেপাউ থানরে। সরক্কী ময়ায়দগী ফুট ৭৫ লম্বী কল্লনি। কয়াদা ফজখ্রবা, কয়াদ ফজরবা লৈঙাক্কী চৎন-কাঙলোননো। চৎন-কাঙলোন অসিবু শিংনবা য়ারোই অঙম্বগী চৎন-কাঙলোননি। চৎন-কাঙলোন থুগাইবা, চৎন-কাঙলোনগী চৈরাক পীগনি। ইম্ফাল জিরি লম্বী লমখায়গী ময়ায়দা কম্মান্দোগী ওফিস লৈরি। ওফিস অসি শারমদাইদা করিগী খন্থহৌদবা, ঠিকাদারদগী ১০% গীদমক পীখিবরা। মমাঙথক্তা পাউচেদা ফজনা হাপ্পখি। মসিমক নীংশিংনিঙাইনি। মসিগী মথক্তা য়ুরেম্বম পৱর সব ষ্টেসন ঙসিমক কন্না শাজিল্লকই। মতাংসিদা লম্বী ফুট ৭৫ পাকথোকপগী লম ওল্লকই। ঙসিমক শারিবা লম অসি পাকপা ৱাৎলি হায়রদুনা কল্লনবা পোইন্ট পীরি। কদাই ফাওবা করিগী খঙনা খঙনা শাগৎলিবা, শাগৎপদা চঙখিবা শেনফম পূম্নমক মীয়ামগী মরলনি। মীয়ামগী মরল নাকোইননা মাঙহল্লিবা করিগীনো? ঠিকাদারদগী ১০% লৌহৌগনি। শাগৎপগী, থুগাইবগী ১০% লৌহৌগনি। থুগাইবা, শাগৎপগী ১০% না ঠিকা অমগী চপ চাবা থবক ওইনরবরা? লম্বী পাকথোকপগী ঈহৌদা মীয়াম ঈরাং খরদি শাগৎনরক্কনি। ঈহৌগী লুচিংবা-লুচিংবীশিংদা মখল মখা কয়াগী মীওৎ মীনৈ পুলিসকী মায়কৈদগী চথুরক্কনি। মদুনা ৱাথোক লান্থোক হেনগৎলক্কনি। ৱাথোক লান্থোক অদুবু নাথৈদুনা চৎনবা হোৎনগনি চৎন-কাঙলোন পায়বা, চৎন-কাঙলোন খঙবা পুলিশিং। চৎন-কাঙলোন খঙনা খঙনা চৎন-কাঙলোন থুগাইরক্কনি, মীচম মীয়ামগী মথক্তা মখল মখাগী চৈথেং পীরক্কনি। মসিবু দেমোক্রেসিগী ফজরবা শক্তম অমরা। ডেমোক্রেসিবু শেমদোকপা, শেমজিনবা য়াবা কয়াদা ফজখ্রবা লৈঙাক্কী চৎন-কাঙলোননো? অুক ফজরবা ওন্নিংবা ওনবা য়াবা, শেমনিংবা শেম্বা য়াবা চৎন-কাঙলোন ময়াম মথোং মরম খঙদবা চৎন-কাঙলোন, চৎন-কাঙলোন নঙনা কয়াদা ৱাহল্লবা মীচম মীয়াম্বু। রবিনাগী কেস, সঞ্জিৎকী কেস, লৈবাক মীয়াম্না লেংদ্রবা শাখিনি। নুংথিল পোবোবকী ৱাথোক, অমম্বা লোক্লুং-চীংনুং মনুংগী কেস কয়াদি কনানা শাখি ওইবীগনি। মনোরমা, তাঞ্জুল নিঙোল, রোজগী ৱাথোক, নীলম পঞ্চভারাগী মীশি, ইচা শক্লবী তম্ফাসন্নাগী মীশিনচিংবা চীংনুং মনুংগী ৱাথোক কয়াদি অমম্বা মী উদবা মফমদা থোক্লিবনি। কনানা করি করম তৌনা শাখি শাবন ওইবীরক্কনি। নুংথিল পোবোবতা ইম্ফাল মনুংগী মীনা খুরক হাংদ্রবা মফমদা থোকখিবা থৌদোক ফাওবা মরাল লৈবশিং চৈরাক পীবগী মহুত্তা ফমথোন ফংনরম্লগনি।

মরম অদুনা ঐখোয়গী লৈবাক্কী ঈরাং কয়াসি নুং-পান ফাওনা চপ চাবা থবক পায়খৎপগী তঙাইফদবা লৈরে। ঙসিমক ফোং ফোং শারিবা আই এল পিগী ৱাথোক নাথৈনবা লৈঙাক্না ফোংনা হোৎনরক্লিবা, নোংমা নোংমগী মখল মখা কয়াগী থাজদ্রবা কয়া পুথোরক্লবা লৈঙাক্না থাংজিল্লক্লিবা খোঙথাং অমত্তা তরাইবা নত্তে। মতম মতমগী ঈহৌ কয়া মায়োক্লনবা ঙসি নোংমা নীনি অসিদা ইম্ফাল জিরি রোদ পাকথোকপগী ঈরাং শাগৎলক্লিবসি অতোপ্পা ঈহৌ অমা নাথৈনবা শিল্লিবনি। ইম্ফাল জিরি লম্বী সরক ময়ায়দগী ফুট ৭৫ পাক্কদবনি হায়রিবসি কদাই ফাওবা চুল্লিবা, কদাই ফাওবা পাক্লবগে মীয়াম হুপ্পা য়েংশিনবগী মথৌ তাই। ৱাহেংবম লৈকায়দগী হৌনা চুম্না থিগৎপা মথৌ তারি। লম্বী পাকথোক্লেদি হায় অদুবু লম্বী পাকথোকপগী খুদোংচাবদি মীয়ামদা ফংহল্লব্রা? লম্বী পাকথোক্লবসু গাড়ী পার্কিং ওইশিন দুনা হেন্না খুদোংথিবা নংহল্লে। মসিগী মতাংদা মরী লৈনবশিংনা অশেংবা মশক মীয়ামদা তরু তরু খঙহনবীফম থোকই। মফম মতমগী নমশিন্দুনা থম্বা তৌবিগনু। মসিগীদমক রোদ মেপ অমা মীয়ামদা পুথোক্তুনা খঙহনবীয়ু। মদু নত্তনা অঙম্বগী য়াথংনি হায়দুনা নম্ফুগী লৈঙাক তৌবিগনু।

ঐখোয়গী লৈঙাকসি মতিং লৈবা লৈঙাক অমদি ওইরে। মসিমক পুৱারীদগী নাথৈবা য়ারোই। মমাঙথক্কী থৌদোক ৱাথোক, মীহাৎ-মীপুন, মী ফাখ্রগা মাঙহনবা মশীং খঙদনা লৈখ্রে। মদুগী চেনবা য়াদ্রবা খুদম তোম্বীস্না হায়স্কুলগী ৱাথোক নমশিনখ্রে। অসিগুম্বা লৈঙাক্কী হৈশিংবসি য়াদে হায়বা খঙহন্দুনা মীয়ামদা চপ চাবা পাউখুম অমা পীহনবা মথৌ তাই। লৈঙাক পায়মিন্নরিবশিংনা ঈজৎ য়েংনা, থম্মোয় শেংনা লৈঙাক পায়বিয়ু। মণিপুরগী লৈঙাক অসি অতৈ অতোপ্পা ষ্টেটকুম্না চাংদম্ন দুনা চৎন-কাঙলোনগী চপ চাবা অশেংবা শক্তমগা লোয়ননা ঙাকমীন্নরসি। ঙসি চথুরল্লিবা লৈঙাক্কী চৎন-কাঙলোন অসি মখোংদগী মতোন ফাওবা অচুম অরান পূম্নমক থিদোক্তুনা চপ চাবা পাউখুম পীদুনা য়াদে হায়বা খঙহন্দ্রবদি মণিপুর নোংমা নৎত্রগা নোংমদি শোয়দনা মুৎখিবা তাবনি। মণিপুর কলহৌসি, মণিপুর কনবা হায়বসি মণিপুরীশিংগী থৌদাংনি। চীং-তম পূম্নমক্কী মফমদা অমত্তা ওইবা অপূনবগী শক্তি শাগৎমিন্নদুনা মণিপুর কলহৌদ্রবদি লমদমসিদা খুদামিন্নরিবা কয়াদি নোংমা নোংমগী মুৎখিবা তাবনি। 'শন্দ্রেম্বী ইমাদি খ্বাং য়ৌরে' হায়বসি নীংশিংবীবা ফৈ। মণিপুর কনবা হায়বসি ঙসি হিংমিন্নরিবা ফুরুপ খুদিংমক্কী অচৌবা থৌদাংনি। মণিপুরদা খুন্দারিবা নাগা, কুকি, মীতৈ, পাঙলনচিংবা অতৈ ফুরুপ কয়াগী মীওইশিংনা খন্থমিন্নবা মথৌ তাই। চীং-তম অনীগী মরক্তা ঈরাং থোক্লবসু লৈঙাক্না শিনবীদবা ফৈ। চীংমী-তম্মী ঐখোয় পুল্লসি, ঐখোয় মশেল মুক্লরিঙৈদা মীতোপ মীয়ানচা কয়ানা হেন্না হেন্না খুদোংচাবা কয়া লৌশিল্লকই। মন্ত্রি-মন্দলশিংসু ৱাখল তানা খঙশিন্নদনা লৈথোকপা মতম নত্তে। মণিপুরগী চীং তম অনীগী শক্তমদা শিংনরকপা অমত্তা লেম্না থারোই । মন্ত্রি-মন্দলগী মনুংদা মায়থোং অমত্তা ওইনা উজরবসু থম্মোয়গী অখুবা লীচৎ মীয়াম্না খঙদবা নত্তে। ২১ শুবা চহী চাসিদি মীচম মীয়ামগী থম্মোয়গী ইহুল খঙনরবা ঙাক্তনি। মীয়াম তিনবা মীফমদা ৱাজাউ ঙাঙবনা অশিংবা শাবা য়ারোই। মন্ত্রিসু মীনি, প্রজাসু মীনি। মন্ত্রিগী মীৎনা তোঙান্না পানবা নত্তে। মীচম মীয়ামগী মীৎ ময়াম্না ঙম্নমক খঙনবা ঙাক্তনি। মণিপুরদা লানগী চেপাউ মন্ত্রিশিংনা থাবীগনু। মতম কুইনদগী ফুমদুনা থম্নরক্লবা খাঙমদ্রবা মীয়ামগী পেন্নদ্রবা কয়া মথি ফোংঙনদ্রিঙৈদা লৈঙাক্না অপূনবা শক্তম, অপূনবগী পাঙ্গল শেমগৎপীয়ু। মসিগী মখা তারকপদা থা ৬/৭ কী মতুংদা থোরক্কদবা ৱাথোক নীংশিংবীদুনা অপূনবা শক্তম ঙাকমিন্নরসি, অচুম্বা চৎন-কাঙলোন ময়েক শেংহনসি।



মণিপুর কনবা হায়বসি ঙসি হিংমিন্নরিবা ফুরুপ খুদিংমক্কী অচৌবা থৌদাংনি। মণিপুরদা খুন্দারিবা নাগা, কুকি, মীতৈ, পাঙলনচিংবা অতৈ ফুরুপ কয়াগী মীওইশিংনা খন্থমিন্নবা মথৌ তাই। চীং-তম অনীগী মরক্তা ঈরাং থোক্লবসু লৈঙাক্না শিনবীদবা ফৈ। চীংমী-তম্মী ঐখোয় পুল্লসি, ঐখোয় মশেল মুক্লরিঙৈদা মীতোপ মীয়ানচা কয়ানা হেন্না হেন্না খুদোংচাবা কয়া লৌশিল্লকই। মন্ত্রি-মন্দলশিংসু ৱাখল তানা খঙশিন্নদনা লৈথোকপা মতম নত্তে। মণিপুরগী চীং তম অনীগী শক্তমদা শিংনরকপা অমত্তা লেম্না থারোই । মন্ত্রি-মন্দলগী মনুংদা মায়থোং অমত্তা ওইনা উজরবসু থম্মোয়গী অখুবা লীচৎ মীয়াম্না খঙদবা নত্তে। ২১ শুবা চহী চাসিদি মীচম মীয়ামগী থম্মোয়গী ইহুল খঙনরবা ঙাক্তনি। মীয়াম তিনবা মীফমদা ৱাজাউ ঙাঙবনা অশিংবা শাবা য়ারোই।

# এদিটরদা থারকপা চিঠি/ৱাকৎ/মীয়ামগী খোল্লাউ/পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ ....

## জেনিমসকী দিরেক্টর দেবেন লাইশ্রম্না তাইবঙপান্দা পীবা খুদোল

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**তাইবঙ** মালেমদা মীওইবা কাঙলুপসু নেচরেল অমা ওইনা মথং মথং হিংদুনা লৈরক্লি। মীওইশিংসিনা তাইবঙ মালেমদা করিসু তৌরম্বা ঙমদনা পুন্সি লোইখিবসু কয়ানি, কয়া অমনা মীয়াম্না পামদবা ফত্তবা থৌদোক ৱাথোক থোকহনবা, কয়া অমনা তাইবঙপানসিদা অফবা থবক তৌবগীদমক মীয়াম্না মতম নাইদনা মখোয়বু শিংথানদুনা লৈরি। হায়নবসু 'লৈ মী ওইনা পোক্লবদি অফবা খরদসু তৌরম্লগা শিখিবনা ফৈ' হায়না। ৱাখল্লোন অসি করিগুম্বা মতমদা হায়বখক নত্তবদা মীওইবনা নুমিৎ খুদিংগী তূম্বা-চাবা নীংশিংলিবা অসিগুম্না ৱাখল্লোনসিবুসু নীংশিংদুনা লৈনরবদি অফবা হায়বদো শোয়দনা তুংইন্নরক্তুনা তাইবঙগী ফজবা মশক হায়বদো চপ চানা ওইরক্কনি। মানা মানা পাম্বা পাঙথোক্লরিবা অফবা কয়াশিংগী মনুংদা হন্দক থা অমরোমগী মমাঙদগী জেনিমসকী দিরেক্টর ওইবিরিবা প্রোফেসর দেবেন লাইশ্রম্না লায়েংবা ঙমজদ্রবা লাইরবা ইমুংগী মীওই কয়াবু লেম্না লায়েংবিবগী ৱাখল্লোন অমনা মতম শাংনা ফমুংদা য়াতাদুনা, মীওইবগী অশা হায়বদো য়াওদবমখৈ উপাই লৈতনা খাংদুনা লৈবা মীওইশিংবু পুকচেল চাওরবা মহাক (দেবেন) না অনৌবা মপোক অমা পোকপীবগুম পাঙথোকপীরিবা মতৌ অসি অইবা ইশামক্না পুমপেন পেনবা ফাউরিবা অসিগুম্না মীওই কয়াগী মফমদসু ফাওরমগনি খঞ্জে।

অমরোমদা মতম শাংনা লায়না অমগা লোয়ননা অৱাবা ৱাখলনা পোৎলুম ওইদুনা লাক্লবা মখোয়গী থম্মোয়দা ফাওরমগদবা শেংলবা পুন্সিগী মীকুপ্তো ঐনা হায়জবনা মতিকসু চাররোই, মীয়াম্নসু হেন্না খঙবীরম্লগনি দেবেন লাইশ্রমগী মরমদা। লায়েংবা ফংজরিবা মখোয় মখোয়গী থম্মোয়না শেংনা শোল্লমগনি দেবেন লাইশ্রমগী মফমদা নহাকপু পুন্সি নুংশাংবা ওইয়ু, মতম চুপ্পদা মায় পাকপা ওইয়ু হায়না। ঈশ্বরমক্না হায়রকপা মীকুপ তাঞ্জা ওইবদৌনা মসিবু দিরেক্টর দেবেন লাইশ্রমনা শোয়দনা ফংগনি, ফংবসু ওইবিয়ু। মসিদগী হেনবা মীওইবদা পীবা বর লৈতে, মসিমক্লি মীপুম খুদিংনা পাম্নরিবা। দেবেন লাইশ্রমনা মসিগুম্বা থবক থৌরাং পাঙথোক্লগা পৈশা ফংগে নৎত্রগা মখল কয়াগী এৱার্দ লৌগে খল্লম্লোই, মীয়ামগীদমক অফবা কান্নবা তৌজরগা মীয়াম্নসু মাবু নুংশিবীবা অমসুং মীয়ামগীদমক তৌজরিবা অসিদা মীয়াম্নসু মতেং পাঙবীরকপা মসিমক ওইরমগনি খঞ্জে। ডাক্তর অমা ওইনা অনাববু লায়েংবদি হৌনশানি অদুবু অখন্নবা থৌরাং অমা ওইনা ফুরুপ-কাঙলুপ খায়দনা অনকপা-অরাপ্পা থিদনা লায়রবা উপাই লৈজদ্রবা পুন্সি কয়াগীদমক লেম্না লায়েংলিবা অসিগীদমক্তদি দিরেক্টর দেবেন লাইশ্রম্না তাইবঙপানসিদা অচৌবা খুদোল অমা তম্বীরে। মসিবু নৎত্রা হিংলিঙৈ মতমদা অফবা খরদসু তৌরমগে হায়নরিবসে।

মীয়ামগী মতুং ইন্না ৱাখলসু য়াম্মী অদুনা দিরেক্টরনা পাঙথোক্লিবা থৌরাং অসিদা ফৈ হায়বসু হায়দবা, ফত্তে হায়বসু হায়দবা কোচি থাংবা ৱাহৈ ৱাতা ওইনা ফোঙদোক্লরকপা কয়াসু য়াওরকখিবসু য়াই, মসিদি লমদমসিগী চৎনবীনি। মীগী মরমদা হুন্নদুনা ঙাঙনবগী, নৈনবগীদি মী মশীং ৱাৎলোই, অফবা তৌবগীদি ফৈ হায়দোকপসি মী মশীং ৱাৎকনি । থৌরাংসিগী মরমদা পন্নরকপদা লূপ অমনা চাওরাকপা ৱাহং খরা থম্বীখ্রে, করম্বা ক্রাইটেরিয়াদা য়েংবনো লায়রবশিংসে লোয়না হেক্তা য়েংবা য়াব্রা হায়বগুম্না, মসিগী পাউখুমদা দিরেক্টরনসু হায়খ্রে, জেনিমসনা লেম্না অনা লায়েংবগী খুদোংচাবা পীরিবশিং অসি খম থেংনা লায়রবা অমসুং কনা লৈজদ্রবশিংদা পীবনি হায়না। মসিনা ওথোরিটিগী পাউখুমনি। অমরোমদদি ঐখোয় মীচম মীয়ামগী ওইনা হংনগদবা ৱাহংনা কদায় ফাওবনো, খুম্নবা য়াবা পাউখুম অমদি ৱাখলনা কদাই ফাওবনো হায়বসি থম্মোয়নুংদা খঙনরগা লৈবা য়াবনি থৌরাংশিংগী মতাংদদি। মরমদি মণিপুরদদি লায়রবা অমদি খম থেংনা লায়রবা হায়বসি খন্দোকপদা য়াম্না লুবা ওইগনি। লৈঙাক্না লায়রবনি হায়না শকখঙদুনা কার্দ মখল কয়া পীরি । প্রমান ওইনা বি পি এল কার্দ পায়রিবশিংসি শুম য়েংসি, লৌ-ইঙ্খোল ফজনা লৈবা য়াওরি, গাড়ীদা চাকা অনী পানবা, অহুম, মরি পানবা লৈবসু য়াওরি। ফনা লায়রবা ওইদুনসু ইমুং অদুদা টি ভি অমতং ওইরবসু অয়াম্বনা লৈনবা ঙাক্তনি। মসিগা লোয়ননা রেদিও অমসুং মোবাইল ফোন ২/৩ দগী তাদনা লৈনবা ঙাক্তনি। ইমুংশিং অদুনদি অসিগুম্বা ফীভমদা লৈরে অদুগা লায়রবগী পনখৈগী মনুংদা লৈরিবনি হায়দুনা কার্দতি পায়রে। মসিদা ঐখোয়না লেপকদবা মায়কৈসি করিনো? অদুগা অমুকসু লায়েংলিবা অসিগা মরী লৈননা লায়রবগী ৱাহন্থোকসি য়াম পাক চাউই। মপূং মরৈ ফাবা মচা লৈ হায়রগসু মমা মপাবু হন্না য়েংবিদবা য়ূম্বানসু লৈতবা নত্তে। মসিদা মচা শামুমুক চাউবা লৈ হায়দুনা মমাদুনা নৎত্রগা মপাদুনা অরুবা লায়নানা নাদুনা মতম শাংনা লায়েংবা ঙমদদুনা লৈরকপদু য়েংদবা তারিব্রা? প্রমান মখল য়াম পনবা য়ারি অদুবু পঞ্জররোই, মীয়াম্নসু হেন্না খঙবিরিবনি অদুনা মণিপুরদা লায়রবগী ৱাহন্থোক য়াম লৈবা মওং মতৌ অসিদা নাশু নাদবা মীওই কয়া অমনা অদু অদা হায়দুনা ৱাহং য়াম হংনরগা দিরেক্টরনা থৌনা লৈনা পায়খৎলিবা অসিগী ৱাখল্লোন মনিং হনখ্রবদি তশেংনা লায়েংবা ঙমদনা লৈরিবা কয়াগী পুন্সিবু তেমশিংনবা ওইনা থোকখিনি। অদুনা ঐখোয়না আই এস টি ভিগী খুথাংদা উবা ফংলিবা মওং মতৌ অসিদা খঙবা ঙম্মী মদুদি মীদুদা নারিবা চাংদুগা মীদুগী ইমুং মনুংদুগী ফীভমদুগা য়েংনবদা দিরেক্টরনা লায়েংবা য়ারে হায়না কনফার্ম তৌরিবসিদা ঐখোয়গী থম্মোয়দসু য়ারে হায়না ফাওরিবা অসি মঙাই। মসিদা ঐখোয়না য়াম্না হেনজিন্না উশিনবা অমসুং চুম্না খঙনিংবা মানবা ৱাহংদা থিগৎপা মানবা, য়েংশিনবা মানবা ৱাহংদি তাহন্নগুমসি। ঐ ঐগী ইমুংদা য়েংহন্নিংবা লৈরবদি দিরেক্টরদা য়ৌননবা মিদিয়াগী খুথাংদা ক্লব, ওর্গেনাইজেসনগী খুথাংদা রিপোর্ট তৌনরগা খুদোংচাবসি ফংবা য়াব্রা য়েংমিন্নবনা তুং কোইনা পূম্নমক্কী অফবা ওইগনি খঞ্জে। পোৎ অমা লমহাংদা তাদুনা পত্তুনা মাঙদুনা লৈবদি কনামতনা করিসু হায়নরোই। পোৎতুবু কনাগুম্বা অমনা অরেম্বদা মাঙখিদৌ শরুক করিগুম্বা অমগী কান্ননবা লৌশিল্লুরবদি মীদুবু হুরানবনি হায়না পাউথোকপীবা, মসিনি লমদমসিদা চৎনরিবা লীচৎ।

দিরেক্টর দেবেন লাইশ্রমগী পূক্লিং চিংশিঞ্জবা অমনা, লমদমসিদা পৈশা পায়বসি অপায়বা খরনা পংপায় পায়জবনি তশেংবদি লায়রবা য়াম্না লৈবা লৈবাকনি। লুপা লিশীং কুনগী মথক্তা চঙগদবা লায়না কয়া য়েংবা ঙমদবা কয়ামা লৈরম্মোই হায়নীংঙাই লৈতে। মসিদা দিরেক্টরনা তৌজরিবসিদা খঙদবা তাদবা কয়াসু লৈরমখিনি। অমরোমদনা ঐখোয়গী লূ-তোংদা য়াওরকপা ঈজৎকী ৱাফম অমসুং ইকায়জবনা ফোঙদোকচবা ঙমজদবসু য়াওরমগনি খল্লি। পূম্নমকসি তুংওইনরগা নোংমদি লায়েংবা ঙমজদবা, দিরেক্টরনসু য়েংবা য়ারে খনবা মীশীং য়াম্না থোক্লরকখিনি খল্লি। মসিবু য়েংবা ঙম্নবা অশানবা মিৎয়েং অমদি য়াৎপীয়ু। অমরোমদসু দিরেক্টর লাই নত্তে, পূম্নমকপু নীংবা থুংহনবা ঙমদ্রবসু য়েংবা ঙম্লিবা খরগীদমক্তদি মীয়াম্নসু পেনথোকফম থোকই।

মরম কয়াদা মীওইবনা মতেং পীনরবসু লৈত-লায়রা, তোল্ল-তারবা, উপায় লৈজদ্রবশিংগী মফমদা পীবা মতেংনা অহেনবা অথোইবা গুন অমা ওইগনি। থৌরাং অসিগী ৱাখলদা হরাউজবা নুংঙাইজবা কয়াগী মরক্তা ৱাজরিবা অমদি দিরেক্টর দেবেন লাইশ্রমনা সার্ভিসতগী পোথাখ্রবা মতুংদা থৌরাং অসিবুসু মখা তানা লৈররোইদ্রা হায়বসিনি। তোল্ল-তারবা লায়রবশিংদা নুংশিবীবা, মতেং পাঙবীবগী কলচর অমতং মালেম শিনবা থুংনা লৈহল্লসি, মসিনা মালেমদা ঈংনা চিক্লা লৈননবগী মরম অমসু ওইগনি।

*অদোমগী - থৌদাম তোম্বা মৈতৈ*

*ৱাঙ্গোই থৌদাম লৈকায়, ইম্ফাল ৱেষ্ট*

## লৈকল্লূপকী লাইশু

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**লৈবাক কনবা অহল্লূপ (লৈকল্লূপ)** না খুন্নাইসিগী মাঙথরক্লিবা লিচৎ-শাজৎ, থকসি-খাসি, হৌন-লোনচৎপু কন্ননবা অমদি চাওখৎহন্নবা পান্থে ওইনা ইরমদম অসিগী মহৌশাদগী লৈজরক্লবা ৱারী শিংবুনশিং, পাউতাকশিং, পাউরৌ-পান্থেশিংদা য়ূম্ফম ওইবা 'লাইশু' কৌবা লাইরিক পুথোকপীদুনা মহেরোয়শিংদা ফংহন্নবা হোৎনবীরকপসি তশেংনা থাগৎনিংঙাইনি। অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌদুনা অসিগুম্বা লিচৎ-শাজৎকা মরী লৈনবা মহে-মশীন কয়া মতিক চানা তাকপী-তম্বীদুনা মখোয়না চাউরক্লবা মতমদা লৈবাকমচা তাবা, নাৎ-পু তাবা, চৎন-লমদাং খঙবা অমদি মীরক তিনবা য়াবা মীওই অমমম ওইরক্লবগী পান দমদা ক্লাস ৱান্দগী আইট ফাওবগী থাক্তা তম্বীননবা লাইরিক পুথোক্লনবা হোৎনরিবা কয়াদু মায় পাকপা ওইবিয়ু। য়াম্না পূক্লিং থৌগৎনীংঙাই ওইরবা অসিগুম্লবা খুন্নাইবু তংদু লৈতাবা ওইহন্ননবা হোৎনরিবা খোঙচৎ অসিনা মাংলোমদা চঙশিনবা হৌগৎলকপসিদা নীংশিংজহৌনিংবা ৱাফম অমদি মোরেল এদ্যুকেসনবু 'লাইশু' হায়না ৱাহন্থোক পীবিরিবা অদুমদি অমুক্তংগা খন্থহঞ্জনীংই। মোরল সাইন্স হায়রগদি ঐখোয়না খঙনগদৌরিবসি থকসি-খাসিরোল, লিচৎ শাজৎ, হৌন-লোনচৎ, থৌগল্লোন, চৎন-লমদাং, খুন্নাইলোন, নাৎপু-তাবা, পূক্লিং ৱাখল হকচাংবু খুদম চনবা, মীরোন লোনবা, ৱাখল খন্থবা, মীনুংশি খঙবা, তৌহৈবা/তৌহৈদবা খঙনা চৎপা, মীরক তিনবা ঙম্ননবা হোৎনবা অসিনচিংবা পুন্সিরোল কয়াসিনি হায়না খনজে। মসি পূম্নমকসি 'লাইশু' হায়রিবা ৱাহৈ অসিগী মনুংদা য়াওই। তৌবতবু 'লাইশু' হায়বসিদি খ্বাইদগী চাউরবা মপান নাইদবা মীওইবনা নৈনবদা লোয়বা নাইররোইদবা ৱাখল লৌশিংগী পুক্কে অদুবুনি। মসিবু মালেম মীয়াম্না য়ুনিভর্স ওফ নোলেজ হায়না খঙনৈ। মোরল সাইন্সতি মসিগী য়ুনিভর্স ওফ নোলেজ হায়বসিগী শরুক মচা অমখক্তনি। মসিদি লাইরিক লাইশু হায়রিবা ৱাহৈশিনসু অদুম তাকচরবা ৱাফমনি। হায়বদি লাইগী লিক্লম (লাইরিক) অদুদা চত্তুনা 'লাইশু' হায়রিবা মপান নাইদ্রবা লৌশিংগী পুক্কে য়ৌননবা হোৎনরিবা অদুবু লাইরিক লাইশু তম্বা হায়না খঙনৈ। লাইরিক্তি ৱাংনা তম্লুরগা হৌন লোনচৎতি খঙফাত্তবা, মী তিন্নবা, লোয়নবা য়াদবা অদুবু লাইরিক্তি হৈরগা লাইশু খঙদবা মীনি হায়না ঐখোয়না হায়জে। মতাংসিদা লাইশু খঙদবা হায়বা ৱাহৈসিনা তশেংনা ফোংদোক্লিবা ৱাহন্থোক্তি খঙলু তম্লুরিবা লাইরিক্তু কান্নগদবা থবক্তা ওন্থোক্তুনা থবক শুবা ঙমদবা অদুবুনি। অতোপ্পা লোনদাদা মসিবু তম্লুরিবা মহৈ (Theoritical knowledge) দু মশীন্দা (Application/ Practical Knowledge) ওন্থোকপা হায়বদি মহৈ মশীন তম্বা হায়রগসু খঙনৈ। সাইন্সতু টেক্নোলোজিদা ওন্থোকপা ঙমদ্রবদি লাইরিক হৈরগা লাইশু খঙদবা, মহৈদি হৈরগা মশীন খঙদবা হায়না খঙনগনি। ফিজিক্সতা হায়রগনা এপ্লাইদ ফিজিক্স হায়না খঙনরিবা অদুগুম্বনি। ইনভেন্সন, দিসকোভরিসনচিংবা রিছার্স ফাইন্দিং অসি লাইশু খঙলুবদগী থোক্লকপা ঙাক্তনি। লাইশুসি য়াম্না খঙ হৈরবা মীদুবু ঐখোয়না 'মঙাল ফংলবা মী' (Enlighten man/চিংউ মাইচৌ) হায়নসু খঙনৈ।

অতোপ্পা ৱাফম অমনা অৱাংবা থাক্কী দিগ্রি খরা পায়রে, ওফিস অমদা অচৌবা পোষ্ট অমসু পায়রে হায়দুনা মী অমবু লাইরিক লাইশু হৈরবা মীওইনি হায়না হেক্তা হায়জিনবসি ঐদি কয়া য়াজনিংদে। ওফিসকী অরুবা থবকশিং শিন্নবা য়াদবা গোল্ড মেদলিষ্টতি ওইরকপা ওফিসরশিং অদুবু ঐখোয়না অখঙ অহৈনি হায়না হেক্তা হায়বা য়ারোই। খঙলিবা পোৎতু থবক্তা ওন্থোকপা হৈবা মী অদুতবু অখঙ অহৈ হায়না হায়বীয়ু, লাইরিক লাইশু অমদি মহৈ মশীন হৈবা মীনি হায়না লৌবিয়ু। নৎত্রগা মখোয়দু লাইরিক ৱাংনা তম্লুরবা হায়না কৌবিয়ু। এন এদুকেটেদ পার্সন হায়বসি কনাবু কৌগদগে হায়বসি মালেমগী অফাওবা মীওইশিংনা ঙসি ফাওবা খন্ন নৈনবা লোইদ্রিবা খ্বাইদগী লুবা ৱাফম অমা ওইরিবনি। থৌগল্লোন খঙদবদগী অমদি মীরোল লোন্দবদগী থবক অচৌবা তৌরবা ফাওবদা মীওই খরদি নুপী চেল্লকপগী হায়দোকপা চৎপদা কনামত্তনা হৌবীরক্তবসু য়াওদবা নত্তে। অসিগুম্বা ৱাখল লৌশিং কয়াসি শন্দোকপা ঙম্বা লাইরিক কয়া কয়া লৈকল্লূপনা মতুংদা পুথোরক্তুনা ইরমদম অসি তংদু লৈতাবা, নুংঙাই য়াইফবা পুরকপা ওইরসনু হায়না তাইবঙ মপুগী মফমদা হন্না হন্না খুরুমজরি।

*অদোমগী- থৌনাওজম রুহিচান্দ, উৎলৌ*

## মণিপুরদা শান্নরোয়শিংগী ফিদা

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**House of the Sports** হায়না খঙনরিবা ঐখোয়গী সনা লৈবাক মণিপুর অসি মতম খরগী তুংদা Hush of the Sports হায়খ্রগনি, মণিপুরগী মপী-মপা শক্লবা পোলিটিকল পার্টিশিংনা তুংগী মীরোলগীদমক ৱাখল তৌবিয়ু। মণিপুর মচাগী থৌনা খঙলবা সেন্টরনা য়েংলকপা অচৌবা মিৎয়েংবু পোলিটিকল পার্টি খরনা অখুবা মিৎয়েংদা খুজাম ওইহনবদি হৌরক্লিবা শান্নরোয়শিংবু চরম মেৎপনি। স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি য়েৎনবা লৈতবা মফম অমদা হেক্তা শাবা হৌবিয়ু হায়বা ৱাফম অসি Bishnupur District Canoeing, Kayaking Association গা শান্নরোয়শিংগা Boat House Moirang দা থা অসিগী ৭ তা ফমখিবা মিটিং অমদা য়াম্না হকচিন্না খন্নখি। হান্নসু মোইরাংদা স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি থম্বা য়াবা য়েৎনদবা মফম লৈ হায়না ফোঙখিবা লৈখ্রবনি।

অমরোমদা মোইরাংগী তাকমু পাত্তা লৈবা স্পোর্টস কমপ্লেক্স অসি রিজনেলগী থাক্তা পুখৎখিবগা লোয়ননা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা অচৌবা শেন্থং থাদরক্তুনা শেমগৎলিবা অসিদা অশোয়বা, অৱাৎপা কয়া হায়বদি রেটর্নিং ৱাল লোইশিন্দবা, চীংখোংগী লৈবাক লৌথোকপা লোয়দবা, থোং শাবা হৌদবা, হোষ্টেল চঙবা লম্বী কোয়লাস থাদবা, হোষ্টেল মনুংদা ফিনিসিং তৌগদবা ৱাৎপা অসিনা মরম ওইরগা কেনোয়িং, কয়াক্কিং অমসুং রোয়িং মশান্না অসিদা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া (সাই) গী থৌশিল মখাদা স্পোর্টস ত্রেনিং সেন্টর (এস টি সি) অমা হাংনবা হোৎনরিবা অসিমসু য়েংশিনবীনবা লৈতবদগী তোকপা তারিবরা? মসিনা তাকপদি ভোৎ ময়াদা থৌনা ফবা শারগা লাউবা, ফম পায়খ্রগনা কাওবগী হৈনবী অসিনা হীরম খুদিংমক্তা মণিপুর শোথরকপা তাবনি।

খুদম খরা নৈনসি ঃ- 30th (5th) National Games 1999 মণিপুরদা অহানবা তাখিবদুদা মণিপুরনা ওভর ওল টিম চেম্পিয়ন লৌখি। 31st National Games, 2001 Punjab তা তাখিবা অদুদনা মণিপুরনা ৩ শুবা তাখি। 32nd National Games, 2002 Hydrabad অদুদনা মণিপুরনা ৪ শুবা তাখি। 33rd National Games, 2007 Assam দা তাখিবদুদনা ২ শুবা তাখি। 34th National Games, 2011 Jarkhan দা তাখিবদুদনা ২ শুবা লোয়ননা ওভর ওল টিম চেম্পিয়ন তাখি অদুগা বেষ্ট ষ্টেট স্পিসিয়েল এৱার্দসু ফংখি। 35th National Games, 2015 Kerala দা হন্দক্তা শান্নখিবা অদুদনা মণিপুরনা ৭ শুবদা য়াম্না শাংনা হায়থরকখি।

মসিগী অচৌবা মরমদি মণিপুর লৈঙাক্লা অফবা শান্নরোয়শিংগী খুদোংচাবা পীবা য়াবা অনৌবা থৌশিল অমা ঙসি ফাওবদা শেমদ্রি। অদুনা অতোপ্পা ষ্টেটতা শান্নখিবা তাবনি। নেসনল গেম নৎত্রগা নেসনল চেম্পিয়নশিপশিংদা অতোপ্পা ষ্টেটকী টিমদা মণিপুর মচা ময়াম য়াওরক্লিবা অসিনি। মসিদনি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা য়ানি খন্দুনা থৌনা ফবা শান্নরোয় লৈবা মণিপুরদা তাংনা ফংবা স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি পীরকপা অসিসু অমুক মাঙহনগদৌরি। অসুম্না মিটিং অদুদা শান্নরোয়শিংগা থৱায় নুংঙাইতনা খন্নখিবা অদু এদিটর অমদি মরী লৈনবশিংগী মফমদা থম্মোয় শোক্লা পাউদমজরি।

*অদোমগী - আর কে খেদা সিংহ*

*সেক্রেটরি, বি দি সি কে এসোসিএসন, মোইরাং*